# হোক্কী য়ুনিয়নগা কে ঐচ এস সি অমদি ফামগা সি দিওগা সেমিদা থেংনরগনি

HOCKEY

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৯ঃ* মণিপুর হোক্কীনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোক্কী প্রেক্টিস ফিল্ডদা চথরিবা অন্দর ১৪ বোইজ হেরোজিৎ ৱারিবম মেমোরিয়েল গোল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী গ্রুপ লীগকী মেটচশিং ঙসি শান্নবা লোয়শিনখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলগী লাইন অপ লোয়খ্রে।

অহানবা সেমি ফাইনেলদা গ্রুপ (এ)গী ৱিন্নর হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইগা গ্রুপ (বি)গী রন্নর কে ঐচ এস সি খোংমনগা অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা গ্রুপ (বি)গী ৱিন্নর ফাম ইম্ফালগা গ্রুপ (এ)গী রন্নর সি দি ও চরাংপাৎকা হয়েং নুংথিলগী পুং ১ অমসুং ২.১৫ তাবা মতমদা শান্নগনি।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা ফাম ইম্ফালনা কে ঐচ এস সি খোংমনবু গোল ৫–০ দা মায়থীবা পীরগা গ্রুপকী ৱিন্নর ওইখিবনি। ফামগী গোলশিং অদু কে কেকে শর্ম্মা ১২ শুবা মিনিটতা পেনাল্টি কোর্নরদা অমা, এন বুংবী, কে ঐচ ভিকো অমদি ৱাই মোনিস্না মথংশিংনা ৩৭, ৪১ অমদি ৪৩ শুবা মিনিটতা ফিল্ড গোলদা চনখিবগা লোয়ননা কে ঐচ এস সিগী শান্নরোই অমনা ৩১ শুবা মিনিটতা আউন গোল অমগা চনখিবনি।



এ জে এস এ জিরিবাম অমদি সিয়ো শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইনা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী অরোইবা লীগ মেটচ।

ফামনা পেনাল্টি কোর্নর ৪ ফংবগী মনুংদা গোল অমা ওন্থোকপা ঙমখি। কে ঐচ এস সিনা পেনাল্টি কোর্নর অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী অতোপ্পা মেটচ অমদা ঐচ এ ৱাই টি শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইনা য়ুঠ ক্লব লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু গোল ১১–০ দা চাওনা মায়থীবা পীরবসু সেমি ফাইনেল চঙবদি ঙমখিদ্রে। ঐচ এ ৱাই টি সিগী গোলশিং অদু কে এস ঐচ বোরিসনা ৯, ১২, ১৮, ২৭, ২৮ অমদি ৪০ শুবা মিনিটতা ৬, কে এস ঐচ তবলরাজনা ৭, ৩০ অমদি ৩৭ শুবা মিনিটতা ৩, টি ঐচ ৱিলসন অমদি কে এস ঐচ গুরগেনা ১৯ অমসুং ৩১ শুবা মিনিটতা অমমম চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী অরোইবা লীগ মেটচতা এ জে এস এ জিরিবাম্না থংননা মেটচ অনী মায়থীখ্রবগী মতুংদা সিয়ো শিংমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইবু গোল ২–১ দা মায়থীব পীখ্রে। জিরিবামগী মায় পাকপগা গোল ২ অদু কারন ঙানবা অমদি সি ঐচ ভিক্টরনা ১৪ অমসুং ২৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। সিয়োগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা বিদ্যানন্দনা ৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। জিরিবাম্না পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি অদুবু গোল ওন্থোকপদি ঙমহৌখিদে। সিয়োনা পেনাল্টি কোর্নর অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

ঙসিগী মেটচ অহুম অদুগী স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা মণিপুর হোক্কীগী এসোসিয়েট ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ অচৌবা শর্ম্মা অমসুং এ অজিৎ শর্ম্মনা শরুক য়াখি।

# সনরাইজ য়ুঠ ক্লবনা অলামিন য়ুঠ ক্লব মায়থীবা পীরগা পোঙ্গাল ক্রিকেটকী ৱিন্নর ওইখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৯ঃ* টামিল শঙ্গম মোরেনা স্পোন্সর তৌদুনা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১৬ তগী সনরাইজ য়ুঠ ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দ মোরে ৱার্ড নম্বর ৪ দা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা পোঙ্গাল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৩–১৪গী ৱিন্নর য়ুম্বু ওইরিবা সনরাইজ য়ুঠ ক্লবন অলামিন য়ুঠ ক্লববু রন ৬৫ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সনরাইজ য়ুঠ ক্লবনা অহানবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৮.১ দা ওল আউট ওইরগা রন ১৩৭ লৌখি। ইনিংস অদুদা কার্থিক্না বোল ৪০ দা রন ৩৩, সুমিটনা বোল ৩৩ দা রন ৩২ লৌদুনা খ্বাইদগী রন লৌবা বেটচমেন ওইখি। অলামিন য়ুঠ ক্লবকী বোল্লর সদাম অমদি রহমননা মথংশিংনা ওভর ৬ লংবদা রন ১৯ পীরগা ৱিকেট ৩ অমসুং ওভর ৭ লংবদা রন ৩১ পীরগা ৱিকেট ৪ লৌখি।

অলামিন য়ুঠ ক্লবনা অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৯.১ দা শুপ্নতগী রন ৭২ খক লৌখিবদগী রন ৬৫ দা মায়থীখিবনি। ইনিংস অদুদা



অজিসনা বোল ১৬ তা রন ১৬ অমদি রহমননা বোল ৯ দা রন ১০ লৌদুনা খ্বাইদগী রন লৌবা বেটচমেন ওইখি। সনরাইজ য়ুঠ ক্লবকী বোল্লর চন্দ্রোনা ওভর ৬ লংবদা রন ১৪ পীরগা ৱিকেট ২ , কার্থিক্না ওভর ৭ লংবদা রন ৩০ পীরগা ৱিকেট ৩, সুমিটনা রন ১২ পীরগা ৱিকেট ৫ অমদি জোর্জনা ওভর ৩ লংবদা রন ১২ পীরগা ৱিকেট অমা লৌখি।

মেন ওফ দি মেটচনা সনরাইজ য়ুঠ ক্লবকী রন ৩৩ অমদি ৱিকেট ৩ লৌখিবা কার্থিক্না তাখি।

বোর্দর টাউন মোরেদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ইমিগ্রেসন ওফিসার মোরে অমদি এস দি পি ও ওইরিবা ঐচ বলরাম সিংহ, টামিল শঙ্গমগী এদভাইজর এ কমল কান্ট, এম সি এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল তোম্বা অমদি বি টি সি সিগী সেক্রেটরি সুরেন্দর সিংহ পাথেজানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ঐচ বলরাম্না হায়খি, মিনি ইন্দিয়ানি হায়রিবা মোরেদা বিজিনেসকী সেন্টর ওইনা মীয়াম্না খঙনরিবা অসিগুম্বা স্পোর্টস অমদি এক্সত্রা কুরিকুলর এক্টিভিটি কয়াদসু পৃথিবীগী মীপুম খুদিংনা খঙনবা মোরে লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না দায়িত্ব লৌমিন্নদুনা অসিগুম্বা টুর্নামেন্ট কয়া পাক চাওনা শিন্দুনা মীয়ামদা খঙহনসি লোয়ননা স্পোর্টস হায়বা অসিনা কাষ্ট খাইদনা নুংশিনবা পুরক্লবা খ্বাইদগী অফবা পাম্বৈনি হায়না ফোঙদোকখি।

# হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৯ ঃ* চৎলিবা থা অসিগী ১০ দগী ১৮ফাওবা নিউ দিল্লিগী মেজর ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা চথগদৌরিবা ৱার্ল্ড হোকি ফাইনেলগী ইন্দিয়ান টিম স্কাউটতা মণিপুরদগী ওলেম্পিয়ান কেঐচ কোথাজিৎ অমসুং কে চীংলেনসনা অনী য়াওরকপদা মণিপুর হোকিনা হরাও–নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর হোকিগী চীফ ইকজিক্যুটিভ ওফিসারনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না শান্নরোই অনীনা মেগা কম্পিটিসন অসিদা অফবা পার্ফোমেন্স পীদুনা লৈবাক্কী অমসুং ষ্টেটকী মিংচৎ পুরক্নবগীদমক্তসু ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি হায়রি।

# দেবলা ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা লিলোং এলভেন অমদি কে কে ক্যামগৈ মায় পাকখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৯ঃ* দেবলা মেমোরিয়েল ট্রষ্ট খাঙবোক্না শিন্দুনা বাসু গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল ট্রোফি টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা লিলোং এলভেন অমদি কে কে ক্যামগৈ মায় পাকখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী মেটচতা লিলোং এলভেননা কে এস য়ু খাঙবোকপু রন ৬ তা মায়থীবা পীখি। মেন ওফ দি মেটচনা লিলোং এলভেনগী এম দি তোম্বনা তাখি। মেটচ অদুদা লিলোং এলভেননা অহানবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৫৪ লৌখি।

কে এস য়ুনা মসিগী পাউখুম পীনবগীদমক অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১২.৫ তা ৱিকেট পুম্নমক তুরগা রন ৪৮ লৌখি।

অনীশুবা শান্নখিবা গ্রুপ (ঐচ)কী মেটচতা কে কে ক্যামগৈনা এস টু সনসেট্টর টোপপু ৱিকেট ৫ তা মায়থীবা পীখ্রে। মেন ওফ দি মেটচনা কে কেগী দব্লিউ অপুনা তাখি। এস টু সনসেট্টরনা অহানবা ইনিংস্তা ওভর ১৩.৫ তা ৱিকেট পুম্নমক টুরগা রন ৫৪ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা কে কেনা অনীশুবা ইনিংস্কী বেটিং তৌখিবদা টার্গেট রন অদু ওভর ৯.১ দা ৱিকেট ৫ তুরগা লৌখি।

# একা ট্রেনা এল এফ সিবু সদন দেটতা থোইরগা সেমি চঙখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৯ঃ* একা ট্রেন কোংপালনা এল এফ সি টেকচমবু সদন দেটতা গোল ১৪–১৩ দা মায়থীবা পীরগা ৫ শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩গী অহুমশুবা সেমি ফাইনেল চঙবা টিম ওইখ্রে।

ক্যামগৈ আইদিয়েল হায়স্কুল গ্রাউন্দদা এম রবিচন্দ্র ট্রসনা শিন্দুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা টিম অনীমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা গোল ৪–৪ চন্নদুনা লৈনবদগী টাই ব্রেক্না মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্নখি। মদুদসু গোল ৫–৫ চন্নবদুনা মান্ননা লৈবদগী সদন দেটনা মখা তানা দিসাইদ তৌখিবদা একা ট্রেনগা গোল ৫ অমদি এল এফ সিগা গোল ৪ চনদুনা গোল ১৪–১৩ দা মায় পাকখিবনি।

অপীবা মতমগী মনুংদা একা ট্রেনগী গোলশিং অদু কিরন ৫০ অমদি ৫৮ শুবা মিনিটতা অনী, সুনন অমদি গৌরোনা ৪৬ অমসুং ৬০ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। এল এফ সিগী গোলশিং অদুনা দু ঙোনা ২৭ অমদি ৪২ শুবা মিনিটতা ২, মধুমঙ্গল অমসুং রবিন্দ্রনা ১০ অমসুং ৪৮ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। টাই ব্রেক অমদি সদন দেটকী একা ট্রেনগী গোলশিং অদুনা গৌরো, কোর্নান অমদি ছটিশনা ২/২, সুনন, কিরন, ছটিশ অমদি দাটননা অমমম চনখি। এল এফ সিগী গোলশিং অদুনা দুঙো অমদি রবিন্দ্রনা ২ / ২, ইনাও, মধুমঙ্গল, মিলন, ওকেন অমদি হেরোজিৎনা অমমম চনখিবনি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা অরোইবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা আর বি দি ৱাঙ্খেগা নজির য়ুনাইটেদ ক্ষেত্রিগাওগা শান্নগনি।




Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*